# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 08-07-2024)**

**রাহুল (এল)ঃ** কংগ্রেস লুচিংবা রাহুল গান্ধি, নোংমগী খোঙচৎতা ঙসি রাজ্য অসিদা থুংলরগনি। মহাক দিল্লিদগী অসামগী সিলচর ইয়ারপোর্ট ফাওবা লাক্লবা মতুং জিরিবামদা চৎতুনা ইরাংনা মরম ওইদুনা রিলিফ কেম্পতা চংজফম লৌদুনা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। রাজ্য অসিদা মমাং চহিগী মে অহুমদগী থোরকখিবা ইরাং অসিগা মরী লৈননা রাহুল গান্ধিনা রাজ্য অসিদা লাকপা হন্দক্কী অসি থারগা অহুলক শুবনি অমদি মহাকা সংসদতা বিরোধি দলগী লুচিংবা ওইরবা মতুং রাজ্য অসিদা লাকপা অহানবা খোঙচৎনি।

শ্রী রাহুল গান্ধিনা সিলচর ইয়ারপোর্টতগী অমুক ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইয়ারপোর্টতা থুংলবা মতুং চুরাচান্দপুর জিলাদা চৎতুনা মফমদুদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা মীয়ামগা উন্নগনি। চুরাচান্দপুর জিলাদগী অমুক লম্বীদা মোইরাং তমা লাক্কনি অমদি মোহরাংদা হাংলিবা রিলিফ কেম্পশিংদা চংলমগনি হায়রি। তুংদা, রাহুল গান্ধিনা মোইরাংদগী ইম্ফালদা লাক্লবা মতুং রাজ্যপাল- অনুসিয়া উইকেগা উন্নগনি।

শ্রী রাহুল গান্ধিনা সিলচরদগী ইম্ফালোমদা লাক্কদৌরিবা অসিগা মরী লৈননা মনিপুর বিধান সভাগী বিরোধি লুচিংবা-ওক্রম ইবোবী অমসুং মনিপুর প্রদেস কংগ্রেস কমিতিগী প্রসিদেন্ট-কে. মেঘাচন্দ্রনা লুচিংবা কংগ্রেসকী মীহুৎ কাংবু সিলচরদা লৈরি। মখোয়না সিলচর ইয়ারপোর্টতা রাহুল গান্ধিবু তরামা ওক্কনি।

মরক অসিদা, এদিসনেল দিষ্ট্রিক্ট মেজিষ্ট্রেট-জিরিবামনা থোকপা চেরোল অমনা, রাহুল গান্ধি জিলা অদুদা লাক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা দ্রোন অমদি বেল্লুন শিজিন্নদুনা নোংথক্তগী ফোটো নৎত্রগা ভিদিও লৌবনচিংবা য়ারোই হায়রি। রাহুল গান্ধিগী খোঙচৎ অসিগী য়েংলগা ভাত্তিয়া নাগরিক সুরক্সা

সনহিতা-২০২৩ গী মতুং ইন্না জিরিবাম জিলা পুম্ববু নো ফ্লাই জোননি হায়না লাউথোক্লে।

**কাং (এল)ঃ** মনিপুরদা মহৌশাগী চৎনবীগা লোয়ননা রথ যাত্রা কাং চিংবগী থৌরম ঙসি পাঙথোক্কনি। অদুমওইনমক, রাজ্য অসিদা হৌজিক ওইরিবা তংদু লৈতাদবা ফিভম অসিগী য়েংলগা কাং চিংবগী থৌরম মহৌশাগুম পাক শন্না পাঙথোক্লরোই হায়রি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদসু কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোক্কনি।

ইস্কোন মণি মন্দিরগী ওইনদি কাংগী থৌরম মমিংতগী ওইনা পাঙথোক্কনি হায়রি। নিংথৌখোংদা লৈবা গোপিনাথ মন্দিরগী কাং চিংবগী থৌরমসু পাঙথোক্লরোই। অদুমওইনমক, লাইগী থৌরমদি মহৌশাগুম পাঙথোক্কনি হায়রি।

রাজ্যপাল-অনুসিয়া উইকেনা ভগবান জগনাথকী কাং চিংবগী থৌরমনা লাকপদা লৈবাক অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা নুংঙাই য়াইফবা পাউজেল পীরক্লি। মহাকা হায়-কাং কুম্মৈনা লাকপদা লমদম অসিগী মীপুম খুদিংমক্তা শান্তি, চাউখৎপা অমদি নুংঙাই য়াইফবা ওইরসনু।

মহাক্কী পাউজেলদা মুখ্য মন্ত্রি-নোংথোম্বম বিরেননা হায়-কাং কুম্মৈনা লাকপদা ভগবান জগনাথনা লমদম অসিগী মীয়ামদা নুংঙাই য়াইফবা পীবিরম্বগা লোয়ননা অশেংববু মায়োকবা ঙমবা অমদি রাজ্য অসিদা শান্তি অমসুং চাউখৎপা প্ৰকপা ওইহন্নবা থৌনিজরসি।

ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবাক শ্রীশ্রী গোবিন্দজিগী মন্দিরদা কাং চিংবগী থৌরম পাঙথোক্কদৌরিবা অসিগী য়েংলগা সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগী থৌরাং লৌখৎলে। হৌখিবা নুমিৎ খরনিগী মমাংদা শকখঙদবশিংনা নোংমৈ কাপশিল্লম্বা অদুগী য়েংলগা থৌরাং অসি অখন্ননা পায়খৎপনি। কাং

চিংফমগী লম্বীগী অকোইবদা চৎথোক চৎশিনদা অথিংবা থমলে। তঙাইফদনা চংদবা য়াদবশিং নীংথিনা চেক তৌরগা চংহনবগী থবক চথুরি।

**শরেং(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা মহৌশাগী ঙায়োক পথাপতা শরেং হেন্না পুথোকপগীদমক ঙামী রাহেন্দ্রো সলামনা অনৌবা ইতিহাস অমা শেমখ্রে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী লফুপাৎ তেরাদা লৈবা মহাক্কী ঙায়োক পুখ্রিদা শরেং য়ামা পুথোকপা ঙমলে হায়রি। রোহেন্দ্রো সলাম ইং ২০২১ দা রাজ্য অসিগী ঙাগী মেলা পাঙথোকপদা অহানবা মনা ফংখি। ইং ২০২২ দা ত্রিপুরাগী লেম্বু চেরাদা লৈবা কলেজ ওফ ফিসরিজনা হরিচোরোন দাস বেষ্ট প্রোগ্রেসিব ফিস ফার্মর এৱার্ড পীদুনা ইকায় খুমখি। ইং ২০২৩ দা মেঘালয়গী আই.সি.এ.আরনা ফামরস ইনোভেটিব এৱার্ড খুৎশিন্নখি। থা অসিগী ১০ দা পাঙথোক্কদবা কুমশি চহিগী নেসনেল ফিস ফামরস ডে ২০২৪ দা মহাকপু মীতৈ শরেং পুথোকপগীদমক ইকায় খুমবা উৎকনি হায়রি।

**ককচিং(এল)ঃ** রাজ্য অসিদা ফংলিবা হিদাক কান্নবা পাম্বীশিং য়োকখৎনবা অমদি পাক শন্না থাবগী থৌরম অমা ঙরাং ককচিং ইরুম লমদোংদা লৈবা ককচিং ভেল্লি স্কুলদা পাঙথোকখ্রে।

হারভেল কিংদম ককচিং প্রোজেক্ট হায়না মিংথোনবা লৌমীশিংবু পাক শন্না ত্রেন্নিং পীবগী ঙরাং পাঙথোকখিবা অহানবা থৌরম অদুদা চান্দেলগী ফোরেষ্ট এসিষ্টেন্ট কঞ্জারবেটর-নাওরেম মুনাল মীতৈ, ইনকম টেক্সকী কম্মিস্নার-বানিতা দেবী নাওরেম অমদি হারভেল কিংদম ককচিং প্রোজেক্টকী প্রোজেক্ট দাইরেক্তর-নোংমাইথেম রাজেন্দ্রোনচিংবনা শরুক য়াখি। লমদম অসিদা ফংলিবা হিদাক কান্নবা পাম্বী মখল ১২ পাক শন্না থাবগা লোয়ননা পাম্বীশিং অদুদা য়াওরিবা হিদাক কান্নবা মচলশিং অদু বৈগ্যানিক ওইবা মওংদা চুমা শিজিন্নবা য়ানবা থবক পায়খৎলগনি হায়রি।

**লীলা (এল)ঃ** মনিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সিলগী ইং ২০২৪-২০২৮ ফাওবা থৌ পুগদবশিং খনবগী থৌরম অমা ঙরাং ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দা লৈবা ইবোয়াইমা শুমাং লীলা শঙলেনদা পাঙথোকখ্রে।

নৌনা খল্লবা থৌ পুবশিংগী মনুংদা-লাইশ্রম তোম্বানা প্রসিদেন্ট অদুগা য়ুম াম নিলাচন্দ্র সিংহনা সেক্রেটরি ওইরে।

**মোদি** ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি নুমিৎ হুমিগী রসিয়া অমসুং ওষ্ট্রিয়া খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। প্রধান মন্ত্রিনা মহাক্কী খোঙচৎকী অহানবা নুমিৎতা মোস্কোদা থুংগনি অমসুং ২২ শুবা ইন্দিয়া-রসিয়া এন্যুএল সম্মিৎতা শরুক য়াগনি। শ্রী মোদিনা রাসিয়াগী রাষ্ট্রপতি ভ্লাদিমির পুটিনগা উন্নদুনা লৈবাক অনিগী মরী অমসুং চাওখৎ থৌরাংগী মতাংদসু খন্নগনি।

রসিয়া খোঙচৎগী তুংদা প্রধান মন্ত্রিনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ওষ্ট্রিয়াদা থুংগনি। মসি চহি ৪১ গী মতুংদা লৈবাক অসিগী প্রধান মন্ত্রি অমনা ওষ্ট্রিয়াদা চৎপা অহানবা খোঙচৎনি। খোঙচৎ অসিগী মনুংদা প্রধান মন্ত্রিনা মোস্কো অমসুং ভিএনাদা লৈবা ভারতমচাশিংগসু উন্নগনি।

ওষ্ট্রিয়া খোঙচৎতা শ্রী মোদিনা লৈবাক অদুগী রাষ্ট্রপতি আলেকজেন্দর ভান দরগা উন্নগনি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর কার্ল নেমরগসু ৱারী শান্নগনি। শ্রী মোদি অমসুং ওষ্ট্রিয়াগী চান্সেল্লর অসিনা লৈবাক অনি অসিদগী শরুক য়াগদবা বিজিনেস লুচিংবশিংগসু উন্নদুনা ৱাফম কয়া খন্নগনি।

**মেট ঃ** ইন্দিয়ান মেট দিপার্টমেন্টনা হায়রি-লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা নোংচুপ থংবা সমুদ্র খোঙবান অমদি অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা কল্লপতগী য়াম া কন্না নোং চুগনি হায়রি। অসাম অমসুং মেঘালয়দা ঙসি নোং চুগনি। কোনকান অমসুং গৱাদসু অকনবা নোং চুরবা য়াই।

মধ্য প্রদেস, মহারাস্ত্র, কেরলা অমসুং লক্সদ্বিপ য়াওনা করনাতক্তা লাক্কদৌরিবা নুমিৎ মঙানি অসিদা লেন য়াওনা অকনবা নোং চুগনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা মহেরোইশিংগী ফিভম ফগৎহন্নবা লৈঙাকা হোৎনরি হায়বা গভনরগী ৱারোল, এম.পি.সি.সিগী লুচিংবশিং রাহুল গান্ধি ওকবা জিরিদা থুংখিবা অমদি দিল্লিদা ক্রোর ৫০ রোমগী দ্রগশিং ফাগৎখিবগী পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউশিং ওইনা ফোংনরি।

নুমিৎ ১৫ নিগী মনুংদা জিরিবামদগী কুকি নার্কো টেরোরিষ্টশিং তকথোক্কদবনি হায়না কৈথেল ফম্বী ইমাশিংনা ফোংদোরকখিবা ৱাফমনা পোক ফমদা অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দিল্লিদা লৈবা রুল্লিংগী এম.এল.এশিং নুমিৎ হুমনিগী মনুংদা থোকপীরকউ, ইমর্জেন্সি এসেমব্লি সেসন ফমদবা য়ারোই হায়না ইমা মৈরাগী কনভেন্নর-টি.ঐচ. সুজাতানা ফোংদোরকখিবা ৱাফমনা হুইয়েন লানপাউদা মরুওইবা হেদলাইন তৌরি।

রাহুল গান্ধি ওকনবা ও. ইবোবী, গাইখাঙম অমদি কে. মেঘাচন্দ্র জিরিদা থুংখ্রে হায়না সঙাই এক্সপ্রেস, মনিপুর ন্যুজ, পোকফম, মনিপুর মেল অমসুং নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি। মসিগা মান্নবা পাউদা- রাহুল গান্ধি মনিপুর খোঙচৎকী শেম শাবা লোয়রে। এম.পি.সি.সিগী লুচিংবশিং সিলচরদা থুংখ্রে হায়না নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইম্ফালদা কন্সত্রক্সন কম্পানি লিংবা শারগা চাডনা দ্রগ করবার তৌবা গেং খুৎপু অমা দিল্লিদা লুপা ক্রোর ৫০ গী দ্রগকা কোন্ননা ফারে হায়না মনিপুর ন্যুজতা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মান্নবা মওংদা সনা লৈবাক্তা মনিপুরদগী পুরকপা ক্রোর ৫০ গী দ্রগকা কোন্ননা মীওই মরি দিল্লিদা ফারে

হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা-মনিপুরগী ঙামী মরিনা মায় পাকা শরেং ব্রিদিং তৌবা ঙমলে হায়না অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্দিয়ান ইন্সটিট্যুট ওফ সাইন্স এদুকেসন এন্দ রিছার্স-কোলকাতাদা টুর চৎলুবা লাঞ্জেন্নরকপা মহৈরোইশিংগা গভনরগা উন্নখিবগী পাউ মনিপুর মেলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দোলাইথাবীদগী লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবশিং য়ুমদা হলহন্নবা কন্না হোৎনরি হায়না ইম্ফাল ইষ্ট দি.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী এঙ্কর কলমদা ফোংলি। পাউ চে অসিগী ইংলিস এদিসনদনা সি.এমনা কাংগী য়াইফ পাউজেল পীরকপগী পাউ অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা কোকোমিগী ৱিমেন্স ৱিং জিরিবামদা চৎলগনি হায়না হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

দি.এম.য়ুগী মহৈরোইশিংনা গভনরগী উন্নখিবগী পাউ মোরনিং বেলগী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

তমেংলোংদা ফোংবা গানফিয়ু মেলদা-মনিপুর খৃষ্টান ওর্গনাইজেসননা এম.পি. অঙোমচা বিমোল অকোইজমবু রাজ্য অসিগী শান্তিগীদমক ৱা ঙাংখিবগী থাগৎপা ফোংদোরকপগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

তমেংলোং টাইমসতা-রাণি গাইদিনলিয়ু মার্কেট ভেন্দর এসোসিয়েসননা কৈথেল অসিদা অমোৎ অকায়শিং লংথোক্তনবা খঙহল্লকপগী পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।